ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯰꯳, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯸꯹ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, ওক্টোবর ০৩, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ১৮৯ শুবা মশীং

য়ু এন সীগী অলটিমেটম

মণিপুর লৈঙাক্না অশেংবা ৱাফম থম্ফম থোকই

য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) হায়বসি মণিপুরগী নাগা তাবা মফমশিংদা নাগাখক্তগী ওইবা প্লেটফোর্ম অমা শাগৎপা ঙম্নবগীদমক খূৎলায় পায়দুনা লাল হৌরিবা লালহৌ লূপ অমনা ওভর গ্রাউন্দ গ্রুপ ওইনা থম্বনি হায়না মণিপুরগী মীয়াম্না ঙাঙনৈ। মসিমক্না মরম ওইরগা মীখলগী মতমদা নৎত্রগা নাগাগী ওইবা তোঙান তোঙানবা ইস্যুশিংদা য়ু এন সীনা লৌরকপা ৱারেপ নৎত্রগা লাউথোরকপা ৱাফম খুদিংমক্কী মায়োক্তা কনামত্তনা য়াদে হায়না ফোঙনা হায়জবা ঙমদে। করিগুম্বা লালহৌলূপ অসিনা কাশ্মীরদা ঈহৌ হৌরিবা পাকিস্তান্না শৌগৎপা টেরোরিষ্টশিংগুম্বা ওইরম্বা তারগদি মখোয়গী ফ্রন্টেল ওর্গেনাইজেসনশিং থিংবদা অমসুং মখোয়না কনা কনাদা শেল থাদবগে হায়না ইন্টিলিজেন্সশিংনা কোয়শেন শেন্নরগা চেন্নবশিং ফাগৎলিবা অসিগুম্না মণিপুরদসু তৌরম্লগদি য়ু এন সী হায়রিবা ওর্গেনাইজেসন অসি লোনা য়াদবা কাঙবুগা শম্নবনি হায়দুনা নহান্না মখোয়গী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎলম্বা য়ারবনি। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্না নাগাগী ৱাথোক অসি খূৎলায়না মুক্নরগা লোইশিনবা পামদবদগী ঈংনা চিক্না লোইশিন্ননবা মায়কৈ অনীগী ওইবা সিজ ফায়র থম্নদুনা ৱারী শান্নবা হৌরকখিবনি। ৱারী শান্নবগী অরোইবা তাঙ্কক য়ৌশিল্লক্লে। হৌজিক্তি ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অমা খূৎয়েক পীনদুনা লৈখ্রে। ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অদুদা করি য়াওই নৎত্রগা য়াওদে হায়বদুনা মখোয় অনীগী ওইখ্রগা ৱাথোক অসি অতেনবা মতমগী মনুংদা লোইশিনবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়বসি নাকল অনীমক্না ফোঙদোক্লখিবা লৈখ্রে। আই-এমগা চৎমিন্নরিবা লূপশিংগা লৈঙাক্কা লৈনরিবা মরী অসি আই-এমগী ৱাথোক ৱাখৈনদ্রিবমখৈ কৈদৌঙৈদসু লোইবা ঙম্লোই হায়বসি মীয়াম্না খঙই। মতম লৈবা খিবিক্তা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈতবা অতোপ্পা লৈঙাক অমা লৈহনগদবনি হায়না দিমান্দ তৌরিবা য়ু এন সীনা মণিপুর লৈঙাক্কা ৱারী শান্নরগা মখোয়গী অনীংবা অপাম্বা ফংগনি হায়না খল্লিবসি তাৎনি হায়দবা য়ারোই। অমরোমদা, মণিপুর লৈঙাক্নসু কাঙবু খরনা মণিপুরবু তংদু লৈতাদনবা থাক্লিবা লাং অমসুং মচিন মনাও ওইবগী মরীদা অকায়বা পীননবা তৌরিবা থবক থৌরমশিং অসি খঙজিনবা চুম্মী। মখোয়বু চাসি মরূ, হুন্দোকসি মতোং হায়বদৌনা কয়াম কুইনা তৌখিগদগে হায়বা খন্থবা মতম য়ৌরে। তিন্নবা হায়বসিদি নাকল নাম্মতনা খূৎ তিংথোক্লগা য়াবা হৌনদে। নাকল অনীমক খূৎ তিংথোকমিন্ননবা ফত্তবা ৱাখল্লোনশিং হান্না মাঙহনখিবা তাবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর লৈঙাক অমসুং য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) গী মায়কৈ অহুমগী ওইবা মীফম অমা ন্যু দিল্লিদা চথখ্রবা তুংদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ৭ তা ইকনমিক ব্লোকেদ হন্দোকপগী ৱারেপ লৌখি। য়ানখিবগী মতুং ইন্না লৈঙাক্না ফাজিন্দুনা থল্লম্বা য়ু এন সীগী লুচিংবা অনী কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা কৈশুমশঙদগী থাদোকখি। দেল্লিদা ফমখিবা মায়কৈ অহুমগী ওইবা ৱারী শান্নবা অদুদা য়ু এন সীনা দিষ্ট্রিক্ট রোল বেক তৌননবা তাল্লিবা দিমান্দ অদু খন্নগনি অমসুং ৱারী শান্নগনি হায়না য়ানখি। য়ানখিবা অদুগী মতুংইন্না সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা মায়কৈ অহুমগী ওইবা ৱারী অহুম্লক হন্না শান্নখ্রে। অদুবু য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনা পান্লিবা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবগী ৱারেপ অদু হন্দোকপা হায়বদুমদি হৌজিকসু লৈত্রি। মরক অসিদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন মশামক্না মীয়াম তিনবা থৌরম অমদা মমাঙগী গভর্ণমেন্টনা দিষ্ট্রিক্ট শেম্লম্বা অদু অমুক হন্না হন্দোকপগী ৱাফম লৈতে হায়না ফোঙদোকপা লৈখি। মশ্বাইদদি ময়েক য়াম্না শেংবা ৱাফম অমা থোরকই মদুদি চীফ মিনিষ্টর হায়বসি লৈঙাক অসিগীদি মকোকনি। মহাক্না হায়বা ৱাফম হায়বসি লৈঙাক্কী ওইবা অরেপ্পা ৱানি। ৱাফম অসিগী মায়োক্তা কনামত্তনা লেপ্পা ঙমদে। মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুমক ইম্ফালদা ফোঙবা পাউচে খুদিংমক্কী অহানবা হেদ লাইন ওইদুনা নিংথিনা ফোঙলগা মীয়ামদা খঙহনখি। মতমদুদা কনাগুম্বা মায়কৈ অমত্তদগী মপূং ফাবা পাউখুম অমা ফাওবা লাকখিদে হায়বা য়াই। অসিগুম্বা তানফম অসিদা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনা পুং ৪৮গী মতম থাদুনা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবা অদু হন্দোক্কনি নৎত্রগা হন্দোক্লোই হায়বা ফিরেপ অমা লাউথোকউ হায়না তকশিল্লকখিবা অদু য়াম্নমক ৱাহন্থোক য়াওদবা ৱাফমনি হায়না লৌবা য়াই। লৈঙাক্কী ফিরেপতি হান্ননা লাউথোকখ্রে। মদুদি দিষ্ট্রিক্ট রোল বেক তৌবগী ৱাফম লৈতে হায়বসিনি। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনা মণিপুরগী মীয়াম্বু অমুক হন্না ৱাহন্ননবা নৎত্রগা লো কায়বা থবকশিং তৌননবগীদমক্তা ৱাকায় ঙাঙবা হৌরকপা অসি লৈঙাক্না করি খন্নরিবগে। অসিগুম্বা মতাংদা লৈঙাক্কী ওইবা অশেংবা ফিরেপ অমা থম্বা চুম্মী। মদু নত্তনা অমগীসু য়াননবা নৎত্রগা অমনা চান্ননবনি হায়দুনা নুপী অনী লোনবগী মওংদা অমদনা অমা হায় তৌরগা লৈথোকপগী মতম নত্তে হায়জনীংই।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

এম বি বি এস তন্নিবা মহৈরোয়শিংগী মেদিকেল ষ্টাইপেন্দ পীবিদবা মতম ফনা শাংলে

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর

কুমজা ২০১৪-১৫গী মণিপুর ষ্টেটকী গভর্ণমেন্ট নোমিনি ওইনা খনখ্রবা হৌজিক হৌজিক এম বি বি এস তন্নিবা মহৈরোয়শিংগী (৫শুবা বেটচ) থা-থাগী পীফম থোকপা মেদিকেল ষ্টাইপেন্দ অসি এম বি বি এস তম্বা হৌবা থা অদুদগী হৌজিক ফাওবা মণিপুর লৈঙাক্না পীবিদ্রি। হায়রিবা কুমজা ২০১৪-১৫গী ৫শুবা বেটচকী মেদিকেল ষ্টাইপেন্দশিং অসি হৌজিক হৌজিক ৭শুবা সেমেষ্টর তম্বা ফাওবা য়াওনরে। মণিপুর লৈঙাক্না পীবা মেদিকেল ষ্টাইপেন্দগী শেনফমসু পংয়াম য়াম্বা নত্তে। থা থাগী লুপা ৪০০ মুক্তনি হায়নৈ। হংজনীংবা ৱাফমদি মেদিকেল ষ্টাইপেন্দ অসি পীনিংবা মতমদা পীবিগদৌরিব্রা নৎত্রগনা মণিপুর লৈঙাক্কী শেল থুমগী ফীভম ফৎতবরা নৎত্রগা অসিগুম্বা এনটাইটল বেনিফিট অসি পুমকক ককথৎখ্রবরা হায়বদু খঙজনীংই। মতম শাংনা ফংলক্তবদুদা খরা লায়রবা মহৈরোয়শিংগী ওইনদি পূক্নিংদা ৱাখলদা হেক হেক নুংঙাইতবা পোল্লক্তুনা মখোয়বু দিসক্রিমিনেসন তৌবিরে খন্দুনা পূক্নিংগী টেন্সন (মেন্টেল টেন্সন) খজিক্তং ওইরবসু লৈরম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মরম অসিনা য়ারগদি মেদিকেল ষ্টাইপেন্দ অসি মহৈ তন্নিঙৈ মনুংদা পীবিবনদি মহৈরোয়শিংগী অমদি মমা-মপা ওইবশিংগী ওইনা হেন্না মরম চাবা অমসুং খুদোংচাবা ওইগনি নীংজৈ। ষ্টাইপেন্দ অসিসু মতমগী মতুং ইন্না খরা হেনগৎহন্নীংই।

হৌজিক্তি অচুম্বা চৎপা পাম্বা, থবক্তা য়াঙবা, মীনুংশি চাউবা, থৌজাল হৈবা অমসুং মিৎয়েং শানবা পাম্বা লৈঙাক ওইরবনিনা হীরম অসিগা মরী লৈনবা লৈঙাক্লোইগী পূক্নিং ৱাখল চিংশিঞ্জবগা লোয়ননা মথক্তা পনখ্রিবা মহৈরোয়শিংগী মেদিকেল ষ্টাইপেন্দ অসি মতম চানা অথুবা মতমদা পীবিনবা হন্না হন্না নোল্লুকচরি।

অদোমগী - ডা. এন জি মঙ্গি
সেগারোদ

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৮

১। অরিবা মণিপুরী পাউরৌশিং অসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু।
  (ক) ঙন্না তাবা শেন্দাংনা চেঙ মচং চায়।
  (খ) চৈশুসু তেক্তনবা, লিনসু শিনবা।
২। জি সি তোংৱাগী দ্রামা অমনা মণিপুরদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না শান্নবা লীলা ওইরি। করি দ্রামানো?
৩। "পূম্নিল নিল্লি, পূন্নাঙ লাঙই চীংমায়দু/ ...মচী লেঙদে চীংমায়দি।" পরেংশিংসি লমাবম বীরমনিগী ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। করম্বা ৱারীমচানো?
৪। "খম্বতোন! নঙনা মায়থীরিবসে করম্বা লানফমদনো?" পরেংসিনা বেনুবালাগী ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারী মচাদুগী মমিং হায়য়ু।
৫। হিন্দিগী 'কম্বন'বু মণিপুরীদা হন্দোকপদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

সেকেন্দ ওক্টোবর, গান্ধীজী অমদি শাস্ত্রি নীংশিংলকপদা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৪৫৮

জিতেন নামৈরাকপম

'ফাদর ওফ দ নেসন' হায়রগসু খঙনবা অদুগী মথক্তসু বাবুজী হায়রগসু খঙনবা মহাত্মা গান্ধীগী মপোক কুমওন ঙরাংনি। হায়বদি ওক্টোবরগী তারিখ ২ নি। সেকেন্দ ওক্টোবর হায়রগসু মীয়াম্না ইখঙ খঙনরবা নুমিৎ অসি ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদগী অসুম্মক খঙনদুনা লাকখি। হৌজিকপুদি মরৈ য়েৎপা হৈবা মী য়াম্না থোরক্লে। করিসু ওইদবসিদা অখঙ অহৈ ঙাক্তনা পানবগী ফীভম অমা লাক্লে। তশেংনা মখোয়শিংদু খঙব্রা হায়বসু খঙদবগুম তৌ, মরৈগী ৱাদি অঙম্বা থাক্তা য়েৎচরগে হায়বা কাঙবু কয়া থোরক্লি। মহাত্মা গান্ধীগী ৱাবুদি তোকখ্রসি ঐখোয়গীসু লময়ানবা ইরাবত লৈরি। নহানখক্তনি লুচিংপুরেল অসিগীদমক্তা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা থৌরম কয়া পাঙথোকখিবা। মহাত্মা গান্ধীনা ইন্দিয়া শিনবা থুংনা মমিং চৎনা ফাওখিবগী ৱানি। ঐখোয়গীসু ইরাবত লৈরি। কোনুংগী নুংঙাইরবা পুন্সি, অৱাৎপা অমত্তা লৈতনা হিংলিবা, তৌনীং-তৌনীংবা তৌবা ঙম্বা পুন্সি মরেল অদু থাদোক্লগা কল্লকপা, মীহৌবা, ওইজবা থিবা ময়াম পূম্বা থাদোক্লগা মতমদুগী লৈঙাক্কী মায়োক্তা লালহৌদুনা লুচিংবা অসি মীরোৎ ওইখি। মীয়ামগীদমক্তা মমল য়াম্লবা পুন্সি অদু কৎথোক্লমখি। মতাংসিদা হায়নীংবদি মহাত্মা গান্ধীনা ভারতবর্ষদা ফাওজবনি, মমিং লৈজবগী ৱানি। ঐখোয়গী জননেতা ইরাবতনা করম তৌবা? মহাক্কী পুন্সি ৱারী নৈনরুরগদি অসুক্কী মতিক মমল য়ামখ্রে। গান্ধীনা মঙোন্দগী হেনবা নত্তে। জননেতা ইরাবতকুম্বা অমা মণিপুরগী লৈময়দা পোকপীরম্বসিমদি তশেংনা থম্মোয় শেংনা থাগৎনীংই।

ভারতবর্ষ নৎত্রগা ইন্দিয়া হায়রগসু খঙনবা চাওখ্রবা লৈবাক অসি মালেমগী মীৎয়েংফম ওইরি। মমাঙদবুদি পঞ্জখ্রে গান্ধী জয়েন্তি, সেকেন্দ ওক্টোবর! নুমিৎ অসি ভারত লৈঙাক্কী ওইনদি খ্বাইদগী মরুওইবা নুমিৎ অমা ওইখি। কুমজা ১৯৬৯গী ওক্টোবর ২দা ফাদর ওফ দ নেসন হায়রগা খঙনবা মহাত্মা গান্ধী পোকখি। অদুগা খ্বাইদগী হেন্না অইবনা নুংশিজবা ইন্দিয়াগী ২শুবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা লাল বহাদুর শাস্ত্রিনা কুমজা ১৯০৫গী ওক্টোবর ২দা পোকখিবা নুমিৎ অদুগা ফাংনরে। সেকেন্দ ওক্টোবর হায়রগদি মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না নীংশিংনরিবসি বাপুজী মহাত্মা গান্ধীনি। অদুবু ওন্থোক্না লায়রবা মপোক অমদা পোক্লকখিবা লাল বহাদুর শাস্ত্রিদি কদায়! ঙরাংখক্তা ঙায়রি হৌখিবা। সেকেন্দ ওক্টোবর লাকপদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইবিরম্বা লাল বহাদুরগী পুন্সি মতেক খরসু নীংশিংলকই।

কুমজা ১৯০৫গী ওক্টোবর ২দা পোকখিবা লাল বহাদুর শাস্ত্রিগী হৌরক পুন্সি অঙকপনি। গঙ্গা তুরেলগী ঈশিং মথক্তা লুপ্লি লুপ্লি তাউদুনা লৈরম্বা পাত্র অমদা হিংবা শিবা খঙদনা হৌরকখিবা পুন্সি ৱারীনি। উত্তর প্রদেশকী গঙ্গা তোর্ব্বান্দা অদুসু লুপ্লি লুপ্লি তাওরগা লাকপা অঙাং অমা, মদুসু সংক্রান্তিগী মী চিল্লবা গঙ্গা লুপ্পগী নুমিৎতা ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা লাল বহাদুর শাস্ত্রিগী পুন্সি হৌরকখি। নৌনা মপা কায়নখি। অপোকপা মমাগী মপামদা লৈরে, মহাক্না মাম্মা থোকপশিংগা। শাস্ত্রিদি অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনসু অরানবসি কয়া য়াগন্দে। য়ানীংদ্রগদি মরৈ পুময়েৎতা য়েৎপা অঙাং ওইনা হৌরকখি।

নোংমা গঙ্গা তোর্ব্বান্দা লৈঙোই মরক্তা নুমিদাংৱাইরম অমা লাল বহাদুর শাস্ত্রিবু লুনা তৌজবা মাম্মা অদুগা লোয়ননা ৱাকিং চৎমিন্নৈ। নুমিদাংৱাইরম হায়জবগী ৱানি। নুংশাগী ৱাদি অমুক্তোইবা লোইরে। কোকথক্তগী মৈতাল অরাবা হৈথরকপগুম্বনি। শারবসু শানা শাস্ত্রিজিগা মহাক্কী মমাগা পোকমিন্নবা মাম্মাদুগা লৈঙোই ফ্রোং-ফ্রোং লাউবা মথক্তা চৎলিঙৈদা থেংনরুরে হৈনৌ য়োনবা নুপা অমা লাকপা। চাউখ্রবা হৈনৌতনা পীক থল্লবা পোল্লাং অমা পুরগা লাকখি। হে য়োনবদুনা হায়, "আনা অমগী হৈনৌ চাম্মা তৌই লৌবিয়ু।' মতম অদুদা শাস্ত্রিগী মাম্মা অদুনা খুন্মী, 'হৈদু থুন্বা শিনব্রা অমুক্তং য়েংলগা খন্নসি' হায়খি। মাম্মদুনা হৈদু চারে, মহাউ লৈবদগী আনা অমগী হৈনৌ ১০০ তৌবদা য়ানখ্রে। মশীং থিবা হৌই। থিরকই ১-২-৩-...। হৈনৌ ৫০শুরকপদা লাল বহাদুর শাস্ত্রিনা 'লেপ্লো' হায়দুনা খামখি। ১০০গী মথৌ লৈত্রে। অসিফাওবা চাবা ঙম্লরোই। অতোপ্পা মফমদা শেন্দোং খরা ফংনবা য়োনবীরুরো অসুম্না হায়খি। ৱাহৈশিং অদু তাবদা মহাক্কী মাম্মদু য়াম্না শাউখি। 'নঙগুম্বা অপঙবসি মফম অমত্তদসু লৈরম্লরোই' অসুম্না হায়খি হায়না ইবিরম্মী।

শাস্ত্রিজী হায়রেদনা ইচম চম্বা, সিম্পল লিভিং হায় থিঙ্কিংগী ৱাখল্লোন্দা লৈজবা মশক নাইবা লুচিংবা অমনি। মহাক্কী ৱারী মখা তারকপদা অসিমসু নীংশিংলকই।

নুমিৎ অদু শাস্ত্রিজীনা মহাক্কী মাম্মগী য়ূমদা শাইদাংফম লৌদুনা লৈরিবা মতমনি। য়ূম অদুগী য়ূমথক্তা খুনু মকোল শারগা খুনু মশীং য়াম্না লৈবা মতমনি। হিন্দুনি হায়রগসু শা-উচেক চাবা লৈবা হৌনশানি। মহাক্কী মাম্মা অদুনা য়ূমথক্তা লৈরিবা খুনুশিং অদুদগী ফারগা পুরকউ হায়বা অকনবা য়াথং তাউথরকপদগী শাস্ত্রিজীনা খুনু ফারে। মহাক্কী মাম্মদা শিন্নরে। খুদক অদুদা খুনু অদু পোপ পোপ থাদুনা হাৎতোক্লগা থোংগৎখ্রে মাম্মনা। নুমিৎ অদুদগী শাস্ত্রিজীগী থম্মোয় কায়খি। মহাক হঙ্গর ষ্ট্রাইক তৌরে। মানা ফারুবা খুনু অদু হাৎলগা চাথোকখিবগীদমক থম্মোয় শোক্না কপ্পখি। চাক চাদনা প্রোটেষ্ট তৌরবা মতুংদা মহাক্কী মাম্মনা অমুক হন্না খুনু চাররোই হায়দুনা ৱাশকপদগী ষ্ট্রাইক হন্দোক্তুনা ইচম চমজরবা লাল বহাদুর শাস্ত্রিগী পুন্সি মরেলদা অমুক হঞ্জিল্লকখি হায়না থেংনখি। (লৌথোকফম :- ইন্দিয়া টু দে- ২০০৮)।

পূম্নমক অসি নৈনরুরগা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইবিরম্বা লাল বহাদুর শাস্ত্রিবু হেন্না হেন্না নুংশিরকই। মহাক্কী মখা তাবা ৱারী কয়া অমসু মথং মথং থেংনরকখি। তেল্লবা কলম/ফিচর অসিদা ইবগী খুদোংচাবা অদু ফংজদ্রে। তৌবতবু গান্ধীজিগী মখা তারকপা সেবক ওইরগসু লাল বহাদুর শাস্ত্রিবুদি হেন্না হেন্না নুংশিরকই। মহাক্কী অচম্বা মতৌ, মীনা উশিৎতবা য়াদবা, মীয়ামগীদমক কৎথোকপা, মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনবা... ময়ামশিং অসিনি। অরোইবদা শাস্ত্রিজিনা হায়রম্মী, "ঐদি মীয়ামগী থৌগল্লোইনি, মীয়ামগী থৌগল তৌগনি।"



তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌ শাফোংলে - ৯

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লূৱাং

ইপুধৌ খুমনগী মতিক ময়াই মমতা চনুগী খুখাংদা শাফোংখ্রবা মতুংদা তাঞ্জেং পাৎতা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী অশেংবা মশাইগোন ওইগদবা মার খোঙ্গুল লিবগী ৱাখল অমুক পোকহল্লকখি। ইপুধৌনা চহী অহুম (মমাঙদসু ইজখ্রে) মপান থোকপা হায়বদি খরাই থোঙ্গাল ৱাংমা লালহন্দনা থম্বীবসি করিগুম্বা মমতা চনুনা থুপখিবা তারবদি ইপুধৌ খুমনগী নুংতিগী থৌগল কনানা তৌবিগনি? খুদক্তুদা ইপুধৌ মশা অমদি মশু মমতাগী থৌগল তৌনবা ৱাৎহল্লোই হায়রকপা ইপুধৌসি করম্বা খোইয়ুম লাইনো হায়না অমুক ঙহাক হংজরিঙৈদা ইপুধৌ মমতাগী পূক্নিংদা থৌদু নুংগী হি অমগী ৱাখল ফাওরকখি। মদুদগী হিসিগী ৱারী ৱাখোং ইপুধৌ মমতানা মীপুম খুদিংদা খঙঙমনি খঙঙম্মোই খন্দনা লাংতক্নসা মশাগী ওইবা ৱাখলদগী হংবা হৌরকখি। নোংমা ইখঙ খঙহৌদনা ইবেচা কৌবী ইনাওনুপী পোকমিন্নবদি নত্তবা অমদা থৌদু নুংগী হিগী ৱারী তা লাকপা লৈব্রা হেক হংলুবদা তান চানরুবদগী (ইপুধৌ খুমননা শিনবিরকপগী মওংদা) ইবেচানা মাগী মচে লৌবা মতৈ অমনা নোংমা ৱারী অমা লিখিবা লৈখি, ইতৈদা অমুক্তা হংলক্কে ইচে হায়না পাউখুমলকখি হায়না পাউদমলকখি। মতম খরগী মতুংদা ইবেচানা মতৈদা হায়রিবা নুংগী হিদুগী মতাংদা হংলুবদা ইপুধৌ মমতানা হংলকইবদু য়াওই হায়না মতৈদুনা হায়রকপদু অমুক ইবেচানা ইপুধৌ মমতা চনুদা তল্লখিবগী ৱাফমদুসু তল্লকখি। ইপুধৌ মমতাগীদি মথৌ তাবদগী ৱারী খঙই হায়রিবা মতৈদু উননীংবগী ৱাফম লৈবদা ৱারেংসিদা ইবেচাগী মতৈ হায়না পল্লিবসি ইবেচাগী মচে লৌবা থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকায়দগী কোন্সম মংলেম মঙাং, অপোকপগী মিংনা মনি, অপোকপীগী মিংনা অপাবী অদুগা মপূগী মিং ওইনা পঞ্জরবদা শঙ্গাই কৌবসিনা য়াম্না চেকশিন্না উপাক্না মখুম পানবা উপু মচা অমগী মনুংদা অমনবা ফিনা চেকশিন্না য়োমশিল্লগা থম্বীরম্বা মীতৈ ময়েক্না ইবা অদুগুম্বা অশেংবা পুয়া ময়ূমদা লৈ। পাঞ্জিগী থবক তৌনা তৌনা পুয়াগসু খরা পায় হায়না মশাগী খূৎইনা ইদুনা পীরকপা ওজা অমনি হায়না শক তাকচগে। হৌজিকমক্কী ওইনদি হায়রিবা ওজা মংলেমগা অইবগা শক শক উনদুনা খঙনবদি নত্তে। মমিং তারগা মমিদি উরে। মীয়ামগী ইপুধৌ ওইরে হায়না লৌরবা লাইশ্রম মমতা চনু অমদি ওজা মংলেম অনীগী তঙায়ফদনা উনদবা অমদি খঙনদবা য়াদবা মরুওইবা মরমদি তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী অশেঙবা ৱারী-পুয়া অশেঙবদা য়াওই হায়বগা মমতা চনুগী খুখাংদা হৌজিক হৌজিক ইপুধৌ খুমননা তাকপীরকপগা অনীসি কয়াম চুশিন্নবগে-চাশিন্নবগে হায়বগী মতাংগা মরী লৈননা অইবনা পন্দবা য়াদদুনা ওজা মংলেমগী ৱারী মতেক অমা পুশিল্লকপনি। অনীমক্কী পাউদম হায়বদি ইপুধৌ মমতাগীনা হকথেংনবা ৱারী অদুগা ওজা মংলেমগীনা ইরগা পুয়াদা য়াওরম্বা ৱারী অনীমকসিদগী অইবনা থমজনীংবদি 'অশেঙবা হায়বা পোৎশকসিদি মতম লৈবা খিবিক্তা অদুম শেঙগনি' হায়বা ৱাফমসিনি। পুয়াদা ইরম্বগা থোরকইবা অমদি তুংদা ওইরক্কদবা অনীসি অমৎতা ওইরে অমদি ওইরনি হায়না হৌজিক হৌজিক ইপুধৌ খুমনগী পাউজেল্লোই ওইবিরিবী লাইশ্রম মমতা চনুনা অইবদা পাউদম্লকপসিনি মীয়ামদা থমজনীংলিবসি।

মমাঙগী তাঙ্কক অমদসু পঞ্জখ্রে মদুদি মীওইবা খুন্নাইদা থেংনরিবা মখল মখা কয়াগী অৱা-অনা, অনা-অয়েক, মচা লৈতবগী নুংঙাইজদবা/নুংনাংবা কয়া তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী মতিক ময়াইদগী ইপুধৌগী পাউজেল্লোই ওইবিরিবী ইপুধৌ লাইশ্রম মমতা চনুনা মখল কয়াগী ইপুধৌ খুমননা তাকপীবা থৌওং কয়া চখদুনা তৌবিবদগী খুন্নাইগী মীওই কয়া অমগী অৱা চৈথেং কোকনখিবা। হৌজিকসু লেপ্পা লৈতনা চথবদগী মথৌ তাবা কয়া অমগী খোংদোইফম ইপুধৌ খুমনগী মকাইফমদা ওইদুনা অৱা চৈথেং কোক্নরি। মসিগী মতাংদা ওজা মংলেমগী মশামক্কী খূৎইনা ইদুনা পীরকপদা অসুম্না শিংথাজরকই - মাগী ইমুংগী মীনা ইপুধৌ লাইশ্রম মমতা চনুগী মরাং য়াইদা লৈরিবা ইপুধৌ খুমনগীদা পাউজেল লৌবা চৎলুবদা মাগী ইমুং মনুংগী মরমদা মিৎমক্না উবদুম্না হায়রকই হায়বা, লাইজ ঈশিংদা শোল্লগা পীরকপদু মশা পূম্বা শেংদোকচবা, ইমুং মনুং খিতোক চাইথোক্তুনা শেংদোকপা, মশামক্না হৌজিক হৌজিক মপূনা থম্বীরম্বদগী পায়রিবা পুয়া অহিংবা (মশানা হায়জবা) সিদা ফাওবা খিকতোক চাইথোকপা, মশাদা লাইগী ওইবা মতিক ময়াই (পোৎ) খরা য়াওই। লৈ ফাও হায়রকখি হায়বসিদা য়াম্না থাজবা অমদি পেঞ্জবা পোকই হায়না লৌজবা মরম খরা পল্লকই। শম্না হায়রবদা, লাইশ্রম মমতা চনু ময়াম্না ইপুধৌনা মিংগী মমাঙ থানা হায়নরিবসি ইপুধৌ খুমনগী অশেঙবা পাউজেল্লোই ওইরে হায়বসি অইবা ইশানসু মরম খরদগী য়াজরে লৌজরে হায়না অমুক্কসু মীয়ামদা থমজরি। কনাগুম্বা অমনা করি খঙলদনা করম্না হায়রিবনো হায়বগী মতাংদা তেন্তক্না অসুম্না থমজগে। নোংমা ইম্ফাল ইষ্টকী তোপ খোংনাংখোংদগী থাংজম য়াইমা হায়না খঙনবা অমনা অইবগী য়ূমদা কোষ্ঠি য়েংবা লাকপদা ইপুধৌ খুমনগীদা হান্না চৎলুবদা হায়রকপদুগা অইবনা হায়বদুগা য়াম্না নকশিন্না মান্নবা য়াওবদগী ইপুধৌ খুমনগী মরমদা খরা হায়রম্বদা অইবসু ইপুধৌ পাখঙবা অমা থৌনিজৌ হায়দুনা হায়রকখিবা অমা লৈবনা চৎনীংবগী ইঙ্গিৎ পীবদা, হয়েং হেক্তা লেংবিরো হায়রগা ইপুধৌগী থৌগল্লোই ওইরিবী হৌজিক্তা খঙলবা মতুংদা ইচানুপী নিংথৌজম বিবিদা পাউ পীরগা ইপুধৌ মমতা চনুদা ঐগা (য়াইমগা) য়াম্না নুংশিনজবা ইয়াম্বা অমা লাক্কনি তম্বীয়ু হায়খিবা নোংঙাল্লগা ইপুধৌ মমতা চনুগী মরাং য়াইদা চৎলুবদা মী খরা চৎনখ্রবা মতুংদা ফাওবা মী তরেৎমুক ঙাইদুনা লৈরম্বদা অইবনা অরোইবা ওইরুই। য়াচঙবা মতুং ওইরে য়েংলুরগা য়ূমদা হল্লকপদা। অমুক্কা লাক্লবা হায়রকপদগী চৎলি। অহানবা চৎপদা চৈঙাক লিচৈ অমগী তঙায়ফদনা শীজিন্ননবা তাকপীরকখিবসিগী মরমদি অইববু খঙবা মী ফত্তবা ময়াম অমনা য়ৈথনবা-চিংথনবা হোৎনৈ অদুনা কনামত্তদা অহানবা হেক লাকপদা চৈঙাক পীখিদবসি অইবদা পীবসিনা অহানবা ইপুধৌ খুমননা পীবা ইশাগী ঙাক্লৌ চৈশুনি হায়বিরকখি। খঙনরবা মতুংদগী খুমন ইপুধৌগী পাউজেল্লোই ওইবিরীবী লাইশ্রম মমতা চনুনা ইপুধৌ শাফোংখিবগী কেসেট অনী য়েংনবা পীবিরক্লগা, মখা তানা ইপুধৌ খুমনগী মরমদা লৈবাক মীয়ামদা শাফোংবগী পাউদম্নবা হেক হায়জরুবদা, অয়াবা পীবিবদগী মখা মখা চখরকইবসিনি। অদুদগী অমুক হান্না 'অচার্য্য সোরাম ইবোহল' হায়রম্বসি ইপুধৌনা য়াদে অদুনা মতম চূপ্পগী ওইনা 'সোরাম ইবোহল লূৱাং' হায়না চৈচৎ ১-৯-২০১৭তগী লৈপাক মীয়ামদা শক তাক্কদবনি হায়না তাকপীরকখিবসিনি।

চৈচৎ ২৯-৯-২০১৭ (ইরাই) নুমিৎতা খুমন ইপুধৌগীদা ইমুংগী ওইবা মরম অমগা মরী লৈননা ইপুধৌগী মরমদা খরগসু হেন্না খঙজনীংবদগী চৎলুবা মতমদা মমাঙ থা সেপ্তেম্বরগী মনুংদা চাওরাক্না তাং ১১দগীনা ২১ ফাওবগী মরক্তা ঈশিং ঈচাও থোকখিবা অদুদা তাঞ্জেং পাৎতা ইপুধৌ অমা য়েৎতা সনাগী চিরোং অদুগা ওইদনা লুপাগী চিরোং পানবা অমা লাইজ ইপাল লাংদুনা লৈবসি পাৎতুদা খোই চোপ্পা, ঈল থাবা অমদি অতৈ মখলগী ঙা ফানবা পাৎ মপান্দা লৈবা মীওইশিংনা অহানবদা খঙলমদবদগী কোন্না খঙনরকখি। নহা খরনা অহানবদদি খঙদবদগী চৈবি চৈথেং পীনবা হায়বদি ঙাগী ৱাখল খনবদগী ফানবা হোৎনরকপদা খুন্দুদা লৈবা সতজাল য়াওবা অহলমক্তি য়াম্না ওইদ্রিবা অমনা হন্দক্তা ইঙা থাদা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী হিয়াং হিরেল থাদদুনা শাফোংখিবা মরমদু খঙবদগী ইপুধৌ ওইরমগনি, মদুদা থৌওইদদুনা চৈবি চৈথেং পীনবা হোৎনরুবদি অফবা ওইরোই হায়না হায়বদগী পাৎপান্দা লৈরম্বশিংদু তোক্লখিবগী পাউগা লোয়ননা অমুক মতম ইকান কান্নদনা হন্দক্তা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী শঙলেন অনৌবা শারিবদুগী মখা থংবদা লৈবাক পাৎ অদুদা মীনা ঈশিংদা অমুক লুপ অমুক ফাওগৎ শান্নবগী মওংদুম্না ইপুধৌসিনা চুপ-চুপ লুপ্তুনা শান্নদুনা লৈবদু নুংতি নুমিৎ খুদিংগী ইপুধৌগী শঙলেন অনৌবদা অয়ূক অমসুং নুংথিলৱাইরম য়াচংবগী মতমদা ইপুধৌগী মফমদা মৈরি মৈরা কৎচদুনা থৌগল তৌজবিশিং মশাগী চহী ৩৫দগীনা ৪০গী ময়া ওইবী মৌগী শিংদা চল্লবীশিং মমিংনা আশালাতা অমদি নাওবী কৌবী অনীসিনা ইপুধৌনা পাৎতুদা তৌরিবদু উবদগী তৌরিবা মতৌদু করিনো হায়না ইপুধৌ মমতাদা পাউ পীরকপদগী খঙলকখি। অদুবু হায়রিবী মৌ অনীসিদা অকি অখং অমত্তদি পীবিরক্তে হায়না মখা তানা খঙলকখিবগী ৱাফমদু অইবদা ইপুধৌ মমতা চনুনা পাউদল্লকখি।

অশেঙবা থৌদোক তাঞ্জেং পাৎতা থোক্লিবদুগী পাউ হেক তাবগা ইপুধৌ মমতা চনুগী ককৱা লিলান্দো লম্পাক্কী মমাঙ থংবদা লৈরিবা মরাং য়াইগীদা লৈরিবা ইপুধৌ খুমনগী শঙলেন্দা শাফোংলগা লৈরিবা ইপুধৌগী মায়থোংসি হাংদোক্লগা থল্লবদি লৈপাকসি অৱা-অনা তাগনি হায়বদগী ফি অঙৌবা অমনা খদাংচেৎ লাক্লগা কিশি অহুম্লক লাইরোননা পুল্লগা থম্বসি হায়রিবা মতমদুগী মনুংদা ইপুধৌগী থৌগল্লোই ওইরিবী নিংথৌজম বিবি চনুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতুদদি হান্না পুল্লগা লৈবগী ৱাখলদা য়েংলুদবদগী অকায়বা করিসু খঙবা ঙমখিদবদু য়ূমশকৈশা নুমিৎতদি ইপুধৌনা তাকপীরকপগী মওংদা নুংতিগী থৌগল চঙজরিবী বিবি চনুনা নুমিৎসিদদি ইপুধৌগী হিয়াং হিরেনগীদা ফি য়াম্থরগা খন্দুনা থল্লিবদু খজিক্তং য়েংনিংবা ফাওহল্লকপগী মওংদা হেক য়েংশিল্লুবদা হান্না ইপুধৌগী মায়থোং ফি অঙৌবনা পুনশিল্লগা থম্বদু (খদাংচেৎ ঙকশমৱাইদা লাকশিল্লগা পুন্দুনা থম্বদু) নাম্থোক্লগা লৈরম্বা থেংনবদগী খুদক্তা ইপুধৌ খুমনগী পাউজেল্লোই ওইবিরিবী ইপুধৌ লাইশ্রম মমতা চনুদা বিবি চনুনা পুল্লম্বা ফি নাম্থোকপগী ৱাফমদু হেক তল্লুবদা ইপুধৌ মমতা চনুনসু য়েংলুবদা চপ চানা চুম্লমখি। করি থোক্লগবা হায়না পাখৎপগা লোয়ননা চৎলিবা চহী ২০১৭সিগী ইঙা থাগীদা ইপুধৌ খুমনগী হিয়াং হিরেল শাফোংবগী থৌরমদা অমাইবগী থৌদাং লৌবিখিবা মাইচৌ (হেক্তা হায়জরগে) ওজা রনজিৎকা কূপ্না তানরিঙৈদা য়ূমশকৈশদু করিমত্তা তৌদনা হৌখ্রবা মতুং শগোলশেল নুমিৎতা 'ইপুধৌ মমতা চনুনা ইপুধৌ খুমন্দা তাইবঙচা ওইবশিং ঐখোয়দা অকি অখঙ পীবিগনু, অৱা-অনা নংহনবীগনু' হায়না থৱায় হকচাং য়াওনা থৌনিজরবা মতুংদা অমুক 'ইপুধৌগী খদাংদা ফি অঙৌবনা ইপুধৌগী মায়খুম খুমজিনজরগা চেৎনা পুন্দুনা থমজবা অদুম হায়না অমুক পূনশিনজরগা থমজগে হায়জবদা ইপুধৌনা য়াবিবদগী শগোলশেল নুমিৎতা পূনশিল্লগা হান্নগী মওং অদুম হায়না থমজখিবদগী চৈচৎ ২৯-৯-২০১৭, ইরাই নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩ অদুৱাইফাওবা অইবগা ইপুধৌ মমতা চনু অমদি নিংথৌজম বিবি চনু ঐখোয় অহুম পূন্না ইপুধৌ মমতা চনু অমদি বিবি চনু অনীনা লৈরিবা শঙ্গাইগী মনুংদা ৱারী শান্নবা মতমদু ফাওবদদি তাঞ্জেং লমলেন্দগী ইপুধৌ খুমন্না তাঞ্জেং পাৎ অমদি মসিগী অকোয়বদা অকি তুজুংনিঙাই ওইবা থৌওং মখা তানা উৎপিবগী পাউ অমতা তাবা ফংখিদে। ঙসিগী মাপলশুবা তাঙ্ককসিগী ওইনা লোইশিল্লকপদা অইবনা থমজনীংবা ৱাফমদি লাই অশেঙবদি শিন থুংনা লৈ, তৌগে হয়বদা তৌবা ঙমই, থৌনি পরম চুম্না হায়জ-নোঙ্গরবদি য়াবিবসিমক্না তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী অঙকপা মতিক ময়াইনি হায়না লাইওইখ্রবা ইনাৎকী ইপা ইপুশিংনা হায়রমদব্রা, হেক্তা হায়জিনবা য়াগনি থাজবিব্রা?

'তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌনা য়াইফরে'।